# লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ হরিরিনা পেরিসতা লাক্নবগী ইনভিটেসন য়াখ্রে : ফ্রান্স



পেরিস, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : চয়োল অনীমুক্কী মমাঙদা সাউদি অরাবিয়াদা খোঙচৎ অমদা লৈরিঙৈদা খঙহৌদনা মফম থাদোক্তুনা মরৈবাক লেবানন অমসুং লমদম অদুবু চঙক্নহনখিবা লেবানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সাদ হরিরিনা ফ্রান্সতা লাক্নবগী ইনভিটেসন য়াখ্রে হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টকী ওফিসনা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুঅল মেক্রোনগী ওফিসকী ওফিসল অমনা হায়খি, নুমিৎ খরনিগী মনুংদা হরিরি ফ্রান্সতা লাকপা য়াই। ওফিসল অদুগী মশক মমিংদি ফোঙদোকখিদে।

ইরান অমসুং মসিগী লেবাননদা লৈবা মীচং হেজবোলাহনা লমদম অদুগী এফ্যের্সতা খুৎ থিংজিল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হৌখিবা নবেম্বর ৪ দা হরিরিনা মহাক মফম থাদোক্লে হায়না সাউদি অরাবিয়াদগী লাউথোকখিবনি। মদুদগী মহাক লেবাননদা হল্লকখিদে অমসুং লেবানিজ প্রসিদেন্টনসু মহাক্না লৈবাক্তুদা হল্লক্ত্রিঙৈদা থারকখিবা রেজিগনেসন অদু রিজেক্ট তৌখি।

ক্রাইসিস অদুগী মতাংদা মখা তানা অকনবা ৱারোল ফোঙদোক্লদুনা প্রসিদেন্ট মিচেল ঔওননা সাউদি অরাবিয়ানা হরিরিবু ফাজিন্দুনা থমই হায়না মরাল শীখি। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর হরিরিনা লেবাননদা হল্লকপা য়ারোইদবগী মরম লৈতে হায়খি।

মতম অমদা লেবাননগী লোইলম মপু ওইরম্বা ফ্রান্সনা ক্রাইসিস অদুদা ৱাতেম্নবা হোৎনদুনা লাকখি। প্রাইম মিনিষ্টরবু মহাক্কী অপাম্বগী মায়োক্তা ফাজিন্দুনা থমই হায়বদু মখা তানা হায়হন্দনবগী লম্বী অমা ওইনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মেক্রোননা হরিরি অমসুং মহাক্কী ইমুংবু ফ্রান্সতা লাক্নবা ইনভাইট তৌখি।

সাউদিনা শৌগৎপা হরিরিনা খঙহৌদনা রিজাইন তৌবনা লেবাননবু চঙক্নহনখি অমসুং লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টবু মথোং মরম খঙদবা ফিভমদা লৈহনখি। মদু লমদম অদুদা ঈথিল পীবা তান্নবদা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা তাথীনবা লুশিল্লকপগী ঈঙ্গিৎ অমনি হায়না লৌনখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লেবানিজ দেলি অল-অখবরনা মথক ইথং-থংবা লামায়দা 'সাউদি মায়থীরে' হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখাই তাদবগী ফিভম অদুবু লোয়ননবগী প্রপোজলদুগীদমক্তা ফ্রান্সপু থাগৎখি।

# দা ভিন্সিগী মাঙলুরবা পেন্টিং 'সেভিয়র ওফ দ ৱর্ল্ড' ওক্সনদা দোলর মিলিয়ন ৪৫০ শিংৎখ্রে


লন্দন, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : লিওনার্দো দা ভিন্সিগী পেন্টিং 'সেভিয়র ওফ দ ৱর্ল্ড' য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওক্সনদা দোলর ৪৫০,৩১২,৫০০ শিংৎতুনা য়োনখ্রে হায়না ক্রিষ্টিনা ফোঙদোকখ্রে। বাইয়রগী প্রীমিয়ম অমা য়াওবা পেন্টিংগী মমলদুনা 'মদু ওক্সনদা খ্বাইদগী মমল তাঙনা য়োনবা পেন্টিং ওইহল্লে' হায়না ওক্সন হাউস (ক্রিষ্টি) কী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ওক্সনদা খ্বাইদগী তাঙনা য়োনখিবা পেন্টিংগী মমাঙগী রেকোর্দতি দোলর ১৭৯,৩৬৪,৯৯২ দা য়োনখিবা পিকাসোগী 'লেস ফেন্মিস দি অলগরনা'' ওইখি হায়না ক্রিষ্টিনা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা ওক্সনদা দা ভিন্সিগী পেন্টিং অমনা খ্বাইদগী মমল ৱাংনা কাখিবসি কুমজা ২০০১ দা ওইখি। মতমদুদা মহাক্কী 'হোর্স এন্দ রাইদর' দোলর ১১,৪৮১,৮৬৫ শিংৎলগা য়োনখি।

'সেভিয়র ওফ দ ৱর্ল্ড' ('সলভেটর মুন্দি') গী বিদ্দিং অদু ক্রিষ্টিগী ন্যু য়োর্ক ওফিসনা কোওর্দিনেট তৌদুনা পাঙথোকখিবদা মিনিট ২০ য়ৌনা চঙখিদে। ইরোই লোইবদা বিদ্দর অনীনা মদুগীদমক মমল হুন্নদুনা লান্থেংনখি। বিদশিংদু দোলর মিলিয়ন ৩৭০ দগী দোলর মিলিয়ন ৪০০ দা চোংখি অমসুং মমৈথংদা ৱাংলবা মমলদু য়ৌখি। মায় পাক্লবা বিদ্দর অদুগী মশকসু খঙবা ঙম্লখিদে।

'সেভিয়র ওফ দ ৱর্ল্ড' অসি 'মোনা লিজা' য়াওনা ইটালিয়ন রেনিসন্সকী মাষ্টর দা ভিন্সিনা য়েক্লম্বশিংগী মনুংদগী হৌজিক ফাওবা তেক্ত-



কায়দনা লৈরিবা মীয়াম্না খঙনরবা পেন্টিং ১৬ কী মনুংদা অমনি। অতৈ পেন্টিংশিংদু মালেমগী ম্যুজিয়মশিংদা চাইথোক্তুনা লৈরি।

ওক্সন হাউস অদুনা 'অরোইবা দা ভিন্সি' নি হায়না শিংথাখিবা পেন্টিং অদু চহীচা কয়া ইখঙ খঙনরূদ্রবা মতুংদা কুমজা ২০০৫ দা ইনৌ নৌনা অমুক থেংনখি অমসুং ভেরিফিকেসনগী প্রোসেস চংখি। অপিকপা পেন্টিং অদুনা জিজসনা মহাক্কী মখুৎ য়েৎ থাঙ্গৎতুনা ব্লেসিং পীবা অমসুং মখুৎ ওইনা মালেমগী মহুৎ শিনবা ক্রিষ্টেল ওর্ব অমা পায়বগী শক্তম উৎখি।

# নোর্থ কোরিয়া পানবদা মিলিটরিনা শৌগৎপা ডিপ্লোমেসি চঙগনি : য়ু এসকী পেসিফিক কম্মান্দর



টোকিয়ো, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলাই প্রোগ্রাম পানবদা মিলিটরি পৱারনা শৌগৎপা ডিপ্লোমেসি চঙগনি হায়না য়ু এস মিলিটরিগী পেসিফিক কম্মান্দগী মকোক্না শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু টার্গেট তৌবা ঙম্বা মতিক ময়ায় লৈবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই য়াওবা মিসাইল অমা পুথোক্নবগী খুৎলাই প্রোগ্রাম য়াঙশিন্নবা হোৎনরকপদা লৈবাক অসিনা কিম জোং উনগী লীচিং মখাদা মিসাইল দজন কয়া কাপখি।

হন্দক থা খরসিদা লৈবাক অসিনা জপান লান্না মিসাইল অনী কাপখি অমসুং মসিগী তরুকশুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখি।

মিসাইল চাংয়েংশিং অমসুং ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অদুনা রিজনেল টেন্সনসু হেনগৎহনখি।

অসিগুম্বা ফিভমসিদা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা ডিপ্লোমেসিনা মরুওইবা পান্থৈ ওইনা শীজিন্নগদবা ওইরবসু মদু মিলিটরি পৱারনা শৌগৎপা ডিপ্লোমেসি ওইগদবনি হায়না এদমিরেল হেরি হেরিসনা জপানদা জপানিজ ডিফেন্স মিনিষ্টর ইটসুনোরি ওনোদেরনা মীফম হৌরকপদা হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা থা অসিদা চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা নোর্থ কোরিয়াবু লাকশিনবদা মতেং পাংনবা হায়খি। চাইনানা লৌখৎলকপা মখা তারকপা খোঙথাং ওইনা সিনিয়র ডিপ্লোমেট অমা ইরাই নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াদা থারগনি।

# পাকিস্তানগী এন্টি-গ্রাফট কোর্টনা শরিফ অমসুং ইমুংগী ৱায়েল হৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : পাকিস্তানগী এন্টি করপসন কোর্ট অমনা মফম তাশ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফ অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মেম্বরশিংবু পানামা চে চাংগী ৱাথোক্কা মরী লৈনবা করপসনগী কেসশিংদা ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না ৱায়েল চথবা হৌখ্রে। মখোয়গী মায়োক্তা প্রোসিক্যুসনগী ৱিটনেস অনীগী ষ্টেটমেন্টশিং রেকোর্দ তৌখি।

ৱায়েল অদু হৌবদা নেসনল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (নাব) কী প্রোসিক্যুসননা অহানবা ৱিটনেস অনী পুথোকখি। ৱিটনেস অনীদুদি সিক্যুরিটিজ এন্দ এক্সচেঞ্জ কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (এস ঈ সী পি) গী জোইন্ট রেজিষ্ট্রার সিদরা মানসূর অমসুং ফেদরেল বোর্দ ওফ রেভিন্যু (এফ বি আর) ইনলেন্দ রভিন্যু ডিপার্টমেন্টকী রিপ্রজেন্টেটিভ জহাঙ্গির অহম্মদনি।

শরিফকী লোয়র খৱাজা হরিস অহানবা ৱিটনেস ক্রোস ক্বেসন তৌনবগী তাঞ্জা পীবা মতমদা মহাক্না ওবজার্ভ তৌখি মদুদি, এস ঈ সী পিনা নাবতা সবমিট তৌখিবা ওদিট



রিপোর্টশিংদু ফোটোকোপিশিংনা অমসুং কম্পেনিগী ষ্টাম্প য়াওদে।

ডোক্যুমেন্টশিংদু অশেংবা ঙাক্তনি হায়রদুনা মনসৌরনা হায়খি, ফোটোকোপিশিংদু লোগী মতুং ইন্না শারিফকী ইমুংনা এস ঈ সী পিদা পীখিবনি।

রেভিন্যু ব্যুরোগী জহাঙ্গির অহম্মদনসু ৱিটনেসকী ষ্টেটমেন্ট পীরদুনা হায়খি, নাবনা কোর্টতা পীখিবা টেক্স রেকোর্দ খূদিংমক একাউন্টেবিলিটি বোদিদা মহাক্কী ওফিসনা পীখিবনি। মথংগী হিয়রিংদা ক্রোস-ৱাহং য়ানবা নবেম্বর ২২ দা কোর্টতা অমুক লাক্নবা অহম্মদতা খঙহনখি।

নবেম্বর ২৭ ফাওবা কোর্টকী হিয়রিংশিংদা মশা য়াওহনবীদনবা শরিফনা থাখিবা এপ্লিকেসন কোর্টনা য়াখি। তৌইগুম্বসুং মচানুপী মরিয়মবুদি কন্দিসন খরদা থা অমা কোর্ট কাদবা য়াহনখি।

মশাগী চহী ৬৭ শুরবা শরিফ অমসুং মরিয়ম অনীমক্না তুংদা কোর্ট হিয়রিংশিংদা মখোয়বু লাকহন্দনবগী এপ্লিকেসনশিং তোঙান তোঙান্না থানখি।

শরিফনা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদুদা মহাক্কী নুপীগী মথংগী কেমোথেরাপি হৌগদবা লৈবনা ট্রাইঅল অদুদা মহাকপু য়াওহনবীদনবা হায়জখি। মরিয়মনা হিয়রিং অমা লৈবা মতমদা মহাক মশা কোর্টতা লাক্কনি হায়খি। অদুম ওইনমক মহাক্না ইমরজেন্সি কেসতা মহাক্না লৈবাক থাদোক্তুনা চৎপা মতমদা জহাঙ্গির জদূননা মহাকপু কোর্টতা রিপ্রজেন্ট তৌহনবীয়ু হায়খি।

# মিলিটরি কূ মতুংদা কেথলিক প্রীষ্ট অমনা ৱাতেম্বদা মুগাবেনা য়াখিদ্রে

হরারে, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : প্রসিদেন্ট রোবর্ট মুগাবেনা মহাক মখা তানা জিম্বাবৱেগী লোনা য়াবা অমতা ঙাইরবা রুলর ওইনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং মিলিটরি কূ অমগী তুংদা মহাকপু নীংথিনা মফম থাদোকহল্লগা থবক্তগী পোথাহন্নবা কেথলিক প্রীষ্ট অমনা শিল্লকপদা মহাক্না য়াখিদ্রে হায়রি।

কেথলিক প্রীষ্ট মুকোনোরিনা মশাগী চহী ৯৩ শুরবা মুগাবে অমসুং নবেম্বর ১৫ দা লৈবাক অদুগী লৈবাক্কী পৱার পায়শিনখিবা জেনরেলশিংদুগী মরক্তা মিদ্দলমেন অমা ওইনা ৱাতেম্বগী থবক তৌরিবনি। প্রসিদেন্টকী অকোইবদা লৈরিবা ফৎত্ৰবা ক্রিমিনেলশিংবু টার্গেট তৌরিবনি হায়বা ওপরেসন অমদা জেনরেলশিংদুনা জিম্বামৱেবু কন্ট্রোল তৌশিনখিবনি।

সিনিয়র পোলিটিকেল ছোর্স অমনা মুগাবেনা থাদোকখ্রবা মতুংদা মীশি-মীনা অমসুং ঈরাং থোকহন্দনা লৈঙাক্কী পৱার শিন্নবগী মতাংদা চথখিবা ৱারী শানবদুগী অকুপ্পা মরোলশিং পীখিদে। কুমজা ১৯৮০ দা নীংতম্বা ফংখিবদগী



মুগাবেনা জিম্বাবৱে পান্দুনা লাকখি।

অফ্রিকান কয়ানা নীংতম্বগী হিরো অমা ওইনা উনরিবা মুগাবেবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনদি শেল-থুমগা মরী লৈনবা মওং-মরিল তাদবা মহাক্কী থৌশিল অমসুং মখা তানা পৱার পায়নবা হোৎনবদা ঈরাং থোক্লবসু য়াই হায়বা মহাক্কী ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইরগা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরি।

জিম্বাবৱিয়ন ইন্টলিজেন্স রিপোর্টশিংনা নবেম্বর অঙনবদা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা মফম লৌথোকখিবা হান্নগী সিক্যুরিটি চীফ ইম্মর্সন মনাঙাগৱানা চহী অমা হেন্না মিলিটরি অমসুং ওপোজিসনগা লোয়ননা মুগাবেগী মতুংদা লাক্কদবা ফিভম অমা য়াৎতুনা লাকখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।

থৌরাং অদু থবক্তা ওন্থোরকপগী ফিভম ওইরম্বা য়াই হায়না চিংননিঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা বৃটেন অমসুং সাউথ অফ্রিকাদা কেন্সর ট্রিটমেন্ট তৌরকখিবা ওপোজিসন লীদর মোর্গান সভাঙ্গিরাই নবেম্বর ১৫ গী অথেংবদা হরারেদা হল্লকখি।

নভেম্বর ১৫ দা মুগাবেনা সাউথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট জেকোব জুমাদা টেলিফোনদা মহাক ময়ূমদগী হেনে দাকহন্দনা লৈবা নত্তনা অতৈ নুংঙাইতবা লৈতে হায়রকখি হায়রি। জিম্বাবৱেগী মিলিটরিনসু মহাক অমসুং মহাক্কী লোয়নবী গ্রেস য়াওনা মহাক্কী ইমুংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

অহল ওইরবা লীদর মুগাবেনা মীয়াম্না মখা তানা পাম্নবগী ইঙ্গিৎশিং উরবসু হান্না গভর্নমেন্ট টাইপিষ্ট অমা ওইরম্বা মশাগী চহী ৫২ শুরবী গ্রেসপুদি মীয়াম্না পাম্নবগী ইঙ্গিৎ ইউ উদ্রি। মহাক মুগাবেগী অহানবা লোয়নবী সেলিনা কেন্সরনা নাদুনা শিরমদাই ১৯৯০ গী মতুং অহানবা চহী খরদুদা মুগাবেগা মরী লৈনরকখিবনি।

# কর্দিশ ৱাই পি জিনা ইস্লামিক ষ্টেট থেংনববুদি সিরিয়াগী লম খুদুম চনবনা হেন্না পামই : টর্কি

অঙ্কারা, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : সিরিয়াগী রাক্কাদা হন্দক্তা লাকখিবা ফিভম খরনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা শৌগৎপা কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিসিয়ানা ইস্লামিক ষ্টেট থেংনববুদি লম খুদুম চন্নবা হোৎনবনা হেন্না মরুওইনা লৌই হায়বসি উৎখ্রে হায়না টর্কিশ ফোরন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগলুনা শগোলশেন নুমিৎতা হায়খ্রে।

ৱাই পি জিনা য়ানখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা থাদা ইস্লামিক ষ্টেট ফাইটরশিংগী কনভোই অমা রাক্কাদগী হন্দোকপা য়াহনখিবদা টর্কিনা কন্না য়ানিংদবা উৎখি অমসুং ইস্যু অদুগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌরিবা ফিরেপতা অঙ্কারানা পেন্দে হায়খি।

ৱাশিংটননা সিরিয়াগী কর্দিশ ফাইটরশিং শৌগৎখিবদসু টর্কিনা শাওখি। টর্কশিংনা কর্দিশ ফাইটরশিংদু টর্কিদা ডিকেদ কয়া লান হৌরকখিবা অমসুং অঙ্কারা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা অথিংবা



থম্বা কর্দিষ্টান ৱারকর্স পার্টি (পি কে কে) গী মশা অমনি হায়না লৌরি।

কাভুসোগলুনা পীখিবা স্পীচকী মতুং ইন্না, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা টর্কিদা ডিফেন্সকী খুৎলাইশিং পীবদসু মতম থিন্থবনা লৈবাক অসিনা সেক্টর অসিদসু অতোপ্পা সোল্যুসন অমা থিরি।

লাইবক থীবদি য়ু এসকী মনুংগী ওইবা প্রেক্টিস কয়ানা মরম ওইদুনা টেরর থেংনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা খুৎলাইশিং য়ু এসতগী লৌবদা মতম থিন্থহনবগী মওং খরা লৈরে হায়না স্পীচতুগী টেক্সতা পনখি।

টর্কিনা হন্দক্তা রশিয়াদগী এস-৪০০ সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সিষ্টেমশিং লৈবা মপূং ফানা লোইশিনখি। রশিয়ন খুৎলাই সিষ্টেম অদু এলাইঅন্স অসিগী সিষ্টেমশিংগা চুশিন্নরোইদবনা খোঙথাং অদু টর্কিনা নাটো এলাইঅন্সপু থওইদবনি হায়না লৈবাক অসিগী নোংচুপলোমগী মীচংশিংনা লৌখি।

# ইন্দিয়ন মহৈরোয় অমা কালিফোর্নিয়াগী গ্রোসরি ষ্টোরদা হুরানবা লাকপা খরনা হাৎখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : নম-হাদুনা মীঙোন্দগী শেল মুন্নবা হোৎনবা খুৎলাই পায়বা মীওই খূৎপু অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কালিফোর্নিয়াগী গ্রোসরি ষ্টোর অমদা ইন্দিয়ন ষ্টেট পঞ্জাবতগী চহী ২১ গী ইন্দিয়ন মহৈরোয় অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ধরমপ্রীট সিংহ জাশর কৌবা মহৈরোয় অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লো তম্নবা লৈরিবনি অমসুং মহাক্কী মহৈ তম্বগী ফন্দ তান্নবা হোৎনরদুনা কালিফোর্নিয়াগী ফ্রেসনো সিটিদা লৈবা ষ্টোর অমদা থবক তৌখিবনি। লৈবাকপোকপগী অহিংদা জাশরনা ষ্টোর অদুদা থবক তৌরিঙৈদা ইন্দিয়ন ওরিজিন অমা য়াওনা খুৎলাই পায়বা মীওই মরি ষ্টোর অদুদা লুট তৌবা চঙলকখি হায়না লোকল দেলি ফেসনোবীনা ফোঙদোকখি। জাশরনা কেস কাউন্টর মরুমদা লোৎতুনা লৈরিঙৈদা নুপা মরিদুগী মনুংদগী অমনা মঙোন্দা নোংমৈনা কাপ্লমখি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

ক্রাইম অদু ষ্টোর অদুগী সী সী টিভি কেমেরাদা রেকোর্দ তৌরমখি অমসুং মদুগী ফুটেজদু লোকল পুলিসনা রিলিজ তৌখি। থৌদোক অদুগী মতুং পূং খরা লৈরগা ফ্রেসনো কাউন্টিগী শেরিফনা মোদেষ্টোদগী চহী ২১ গী লেঙ্গা ওইবা অমৃতরাজ সিংহ অথৱাল কৌবা মীওই অমা ফাখি অমসুং অতৈ সসপেক্টশিংসু থীখি।

'ধরমপ্রীট সিংহ করিমত্তা মরাল লৈজদবা ভিক্টিম ওইখি। মহাক মথৌ তৌরিঙৈদা শেল হুবগী থৌদৌ অসিদা ৱাখল খন্থদবা মীওইশিংনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি' হায়না মদেরোগী শেরিফ জয় ভার্নিনা হায়খি।

মহাক মকোক্তা নোংমৈনা কাপখি হায়না ঐখোয়দা পাউ পীরকখি হায়না ধরমপ্রীটকী মখুরা জগদীপ সিংহনা টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙদোকখি।

হান্না পঞ্জাবতগী হৌখিবা একাউন্টিংগী মহৈরোয় ওইরম্বা জাশর চহী অহুমগী মমাঙদা মহৈরোয়গী ভিজা অমা পায়রগা য়ু এসতা চৎখিবনি।

পুলিসনা ফোঙদোকখি মদুদি, ফ্রেসনো কাউন্টিগী শেরিফকী ডেপ্যুটিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী থৌদোক অদুগী মীদিয়া কভরেজ অমা উখি অমসুং থৌদোক অদুগী সসপেক্টশিং অমসুং অথৱালগী মরক্তা মান্নবা পোৎশক খরা খঙবা ঙমখি।

# অফঘান পোলিটিকেল মীফম পাঙথোকফম মনাক্তা সুইসাইদ এটেক চংথবদা মীওই ৯ শিরে



কাবুল, নবেম্বর ১৬ (এজেন্সি) : ঙসি অফঘান কেপিটেল কাবুলদা মরুওইবা রিজনেল লীদর অমগী সপোর্টরশিংগী মীতিন মফমগী মনাক্তা চংথখিবা সুইসাইদ বোম এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

নোরদর্ন প্রোভিন্স বাইখকী গভর্নরসু ওইরিবা অমসুং মরুওইনা ইথনিক টাজিকশিংগী ওইবা জমিয়াট-ঈ-ইস্লামি পার্টিগী লীদর সিনিয়র পোলিটিসন অতা মোহম্মদ নূর এটেক অদু পাঙথোকখিবা মতমদা মীফমদুদা শরুক য়াখিবরা হায়বা খঙবা ঙমখিদে।

ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদু চংথখিবনি হায়না গ্রুপ অসিগী ন্যুজ এজেন্সি অখাকনা ক্লেম তৌখ্রে। অমরোমদা টালিবাননা এটেক অদুদা মখোয় চেন্নদে হায়খ্রে।

'ঐখোয় লৈবাক অমসুং ঐখোয়গী রাইটশিংগীদমক্তা ঐখোয় অহুম্না থৱায় থাবা ঙম্বদা চাউথোকচবা পোকই। মসিগী মীফম অসি ঐখোয়গী লৈবাক্কী ওইবা খোল্লাউ অমা পুথোক্লবগীদমক্তা পাঙথোকখিবনি' হায়না জান মোহম্মদ কৌবা ৱিটনেস অমনা হায়খি।

বোমগী এটেক অদু চহী অসিদা অফঘানিষ্টানদা পরিং নাইনা চংথরকখিবা মীচম লিশিং কয়া শিহনখিবা অমসুং শোকহনখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা প্রসিদেন্টকী মীখলগী মাঙওইননা পোলিটিসনশিংনা মখোয়গী পোজিসন শেম্নবা হোৎনরিঙৈদা এটেক অদু চংথরকখিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, মীতিন অদু পাঙথোক্লিবা কাবুলগী খাইর খানা ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হোটেলদা বোমর অদু মখোঙনা চঙশিল্লকখি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা পুলিসমেন তরেৎ অমসুং মীচম অনী য়াওখি।

মীদিয়ানা ৱিটনেসশিংনা লৌবনি হায়না থাজনবা হকচাং ১০ দগী হেনবগী ফোটোশিং উৎখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়দু ভেরিফাই তৌবদি ঙমখিদে।

অৱাং থংবা শরুক্তা বেজ তৌবা জমিয়াট-ঈ-ইস্লামি অসি চহী কয়া টালিবানগী ওপোনেন্ট ওইদুনা লাকখিবনি। লালহৌবা গ্রুপ অসিদি মরুওইনা খা থংবদা বেজ তৌবা ইথনিক পাষ্টুন কম্যুনিটিদগী সপোর্ট ফংই। হৌখিবা জুনদা সুইসাইদ বোমর অমনা চীফ ইগজেক্যুটিভ অব্দুল্লাহ অব্দুল্লাহ য়াওবা জমিয়াট-ঈ-ইস্লামিগী লূচিংবশিংগী মীফম অমদা এটেক তৌখি।